## নুপী অমা মখোঙদা...

*লমায় ১গী মখা...* লোয়ননা মখোয় অনীমক অহানবদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। অদুগা নোংমৈনা কাপ্পল্লবী নুপী অদুনা রিমসতা রিফর তৌরকখ্রে হায়রি।

চৈরকসিদা ফৌগাকচাও ইখাই পুলিস ষ্টেসনদা ফাইল তৌরকখিবা মিসিং রিপোর্ট অমদনা শকখঙদবশিংনা নোংমৈনা কাপ্পল্লবী নুপী অসি য়াওনা ফ্রগা থল্লমখিবা মীওই অনী অসিগা পূন্না মখোয় অহুম্বু মফম খঙদ্রে হায়না রিপোর্ট তৌরকখ্রে হায়রি।

## পোল্লিং ষ্টেসন ...

*লমায় ১গী মখা...*ঙসি রি-পোল পাঙথোকখিবা পোল্লিং ষ্টেসনশিং অদুদি ৪৪-উখ্রুল (এস টি) এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী পোল্লিং ষ্টেসন ৪৪/২০-সংসক এ, ৪৪/৩৬-উখ্রুল (এ), ৪৪/৪১-উখ্রুল (দি-১), ৪৪/৫০-উখ্রুল এফ, ৪৫-চিঙাই (এস টি) গী ৪৫/১৪-চিঙাই অমসুং ৪৭- কারোং (এস টি) গী ৪৭/৩৩-ওইনাম (এ-১) নি। পোল্লিং ষ্টেসন তরুকমক্তা ঙসি অয়ূক পুং ৭তগী হৌরদুনা ভোট থাদনখিবগী চাংনা চাদা ৮১.১৬ য়ৌখি। ৪৭-কারোং (এস টি) গী পোল্লিং ষ্টেসন ৪৭/৩৩-ওইনাম (এ-১) গী ওইনদি অয়ূক পুং ৭তগী ভোট থাদবা হৌগদবা ওইরবসু খরা থেংথনা হৌখি। পোল্লিং ষ্টেসন অসিদা ভোটর ৬৬৩ লৈবগী মনুংদা নুংথিল পুং ৪ ফাওবদা ভোটর ৫৬১না ভোটথাদদুনা চাদা ৮৪.৬কী চাং য়ৌখি।

অদুম ওইনমক উখ্রুল (এস টি) গী পোল্লিং ষ্টেসন মরি অমসুং চিঙাই এ সীগী পোল্লিং ষ্টেসন অমদসু পামদবা থৌদোকশিং অমত্তা থোক্তনা ভোটরশিংনা ভোট থাদনখি।

পনবা য়াবদি, নম্বর ২-আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সি অসিদা আই এন দি আই এ ব্লোক, মণিপুরগী কন্মন কেন্দিদেট ওইনা কোংগ্রেস মীরেপ অলফ্রেন্দ কানঙম এস অর্থর, এন পি এফকী কে তিমোথি জিমিক অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপশিংদা ডা. অলিসন অবোনমাই অমসুং এস খো জে াননা লম্বা তৌনরিবনি।

অহানবা তাঙ্কক্তা ভোট থাদনখ্রবা নম্বর ১-ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সিদনা আই এন দি আই এ ব্লোক, মণিপুরগী কন্মন কেন্দিদেট ওইনা কোংগ্রেস মীরেপ ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজম, বি জে পিগী টি ঐচ বসন্তকুমার, আর পি আই (অথৱালে) গী মহেশ্বর থৌনাওজম অমসুং ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপশিংদা আর কে সোমেন্দ্রো এলিয়জ কাইকু, মোইরাংথেম তোতোমসনা নোংশাবা অমসুং হাওরুংবম সরতনা লম্বা তৌনরিবনি।

ঙসি আউটর মণিপুরগী পোল্লিং ষ্টেসন তরুক্তা রি-পোল পাঙথোকখিবগা লোয়ননা মণিপুরগী ওইনা ১৮শুবা লোক সভা মীখল অসিগী মনুং চনবা পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সি অনীমক্তা ভোটথাদবগী থবকশিং মপূং ফানা লোইশিনখ্রে। লাক্লিবা জুন ৪দা তাঙ্কক তরেৎ থোক্লা পাঙথোক্কদৌরিবা জেনরেল ইলেক্সন অসিগী ভোট মশীং থিবগা লোয়ননা করম্বা পার্টিনা য়ুনিয়ন লৈঙাক পায়গদগে হায়বদু খঙবা ঙম্বগা লোয়ননা মণিপুরগী ওইনা পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুএন্সি অনীসিগী মীহুৎশিং কনা কনানা ওইগদগে হায়বদুসু খঙবা ঙমগদৌরিবনি।

## ‘করপসন’ গী থবক-থৌওং পূন্নমক্কী ঈ-পাউ পীবিরকউ

‘করপসন’ (শেঙ্গা-থুমজা) গী থবক-থৌওং পূন্নমক্কী ঈ-পাউশিং হুইয়েন লানপাউদা পীবিরকউ। গ্রিভান্স রিদ্রেসেল অমসুং হুইসল ব্লোৱরগী থৌদাং মচা অমা লৌজবা ওইনা নমথাক অমসুং তাৎ-পাৎ তৌবা থৌওংশিংগী মরীক চুম্বা রিপোর্ট মীয়ামদা ফোঙদোকচগনি। পাউ ১সুং মরী লৈনবা ইভিদেন্সশিং পীবিরকপশিংগী মমিং-মথা চেকশিন্না থমজগনি।

**হুইয়েন লানপাউ, মোবাইল ফোন নম্বর - ৭৬২৯৮৫৪০২৩**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 89.366512 |
| US Dollar | 83.442089 |
| British Pound | 104.493219 |
| Australian Dollar | 54.310571 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.522374 |
| Japanese Yen | 0.530280 |
| Malaysian Ringgit | 17.484677 |
| Singapore Dollar | 61.240238 |
| South Korean Won | 0.060345 |
| Saudi Arabian Riyal | 22.251224 |
| Thai Baht | 2.248113 |

FOREX (INDIA RUPEES)

# মীতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহনগদবনি হায়বা দল্লিয়ু এম সীগী খোঙজং লেপ্তুনা চঙশিল্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ৩০ (ঐচএনএস) : মীতৈ/মৈতৈবু লৈবাক অসিগী সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী লিষ্টতা চলহন্নবগীদমক মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী থাফম থোক্লিবা রেকমেন্দেসন/রিপোর্ট অনী পন্থদনা থাগদবনি হায়রদুনা ৱর্ল্ড মীতৈ কাউন্সিল (দল্লিয়ু এম সী) গী সেন্ত্রেল এগজিক্যুটিভ কন্মিটিনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা মীয়াম অমসুং লূপশিংগা খোল্লাওশিং লাউরদুনা চঙশিল্লকখিবা খোঙজং মখা তানা চত্থরি।

ঙসিসু খোঙজং অসিগী মনুং চন্না ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী এলাংখাংপোকপীদা কাউন্সিল অসিগী খোঙজং খোল্লাও চঙশিনখি। খোঙজং অসিদা কাউন্সিল অসিগী মণিপুর য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট উরিকখিনবম কুঞ্জো, জোইন্ট সেক্রেটরি এলাংবম ব্রোজেনকুমার, ফাইনান্স সেক্রেটরি এল সোমোরেন্দ্রো অমদি এগজিক্যুটিভ মেম্বর অহোংশাংবম ধিরেননা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা এলাংখাংপোকপী অপূনবা মৈরা পায়বী লূপকা খূৎশম্নদুনা খোঙজং চঙশিনখি। পনবা য়াবদি, মণিপুরদা আই এল পি চৎনহনবা, এন আর সী পাঙথোকপা অমসুং বোর্দর ফেন্সিং তৌবা খক্তনা ফ্রুপ অসি কনবা ঙম্লোই হায়না কাউন্সিল অসিনা ফোঙদোক্লিবনি।

# দিটেল রিপোর্ট পীরক্তবা মেদিকেল...

*লমায় ১গী মখা...*ওর্দরশিং কোর্ট অসিনা সেপ্টেম্বর ১৬, ২০২৩ অমসুং এপ্রিল ১, ২০২৪দা পীখি। এপেক্স কোর্টকী ওর্দর অসিনা এন এম সীদা মেদিকেল ইনটর্ন্স অমসুং রেসিদেন্টশিংদা পীখিবা ষ্টাইপেনগী অকূপ্পা ৱারোলশিং পীখৎলক্লবা খঙহল্লকখি।

কোর্টকী ওর্দর অসিগী মতুংইন্না এন এম সীগী মায়কৈদগী এপ্রিল ১৬, ২০২৪দা পব্লিক নোটিস অমা থোক্তুনা শেনবা চহী ২০২৩-২৪গী ওইনা সুপর স্পেসিএলিটিদা মখোয়গী য়ু জি ইনটর্ন্স, পি জি রেদিন্টেস অমসুং সিনিয়র রেসিদেন্টশিং নৎত্রগা পোষ্ট গ্রেজুএটশিংদা পীখিবা ষ্টাইপেনগী অকূপ্পা ৱারোলশিং পীখৎলক্লবা খঙহনখি। ৱারোল অসিমক পীখৎলকপগা লোয়ননা মরী লৈনরিবা মেদিকেল কোলেজ/ইন্সটিট্যুসনশিংগী ৱেবসাইটতসু শেনবা চহী ২০২৪-২৫গী অকূপ্পা ৱারোলশিং থা খুদিংগী তাং ৫ ফাওবগী মনুংদা অপলোদ তৌনবসু এন এম সীনা খঙহনখি হায়রি।

অদুম ওইনমক সুপ্রিম কোর্টনা পীরকপা দিরেক্সনগী মতুংইন্না সুপর স্পেসিএলিটিগী তোঙান তোঙানবা মহৈরোয়শিংদা পীখিবা ষ্টাইপেনগী মরীক চুম্বা ৱারোল চয়োল ৪গী মনুংদা পীখৎকদবনা হৌজিক ফাওবদা হায়রিবা শেনবা চহী ২০২৩-২৪গী ইনফোর্মেসন/দাটা অসিবু পীখৎলক্তবা মেদিকেল কোলেজ/ইন্সটিট্যুসনশিংনা শোয়দনা অমসুং মখা তানা চোন্থদনা মথং থাগী ২ (মে ২, ২০২৪) ফাওবগী মনুংদা এন এম সীদা পীখৎলক্কদবনি হায়রি।

হায়রিবা ৱারোলশিং অসি পীখৎলক্তবশিংবু হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা মখোয়গী মথক্তা এন এম সীনা অকনবা থবক লৌখৎলগনি হায়রি।

ৱাফম অসি রিপোর্ট অসিবু পীখৎলক্ত্রিবা মেদিকেল কোলেজ/ইন্সটিট্যুসনশিংদা খঙহনবনি হায়রি।

# চহী ফাজিল্লক্লবা কুকিগী তমথীরবা লান মায়োক্লদুনা...

*লমায় ১গী মখা...* খূৎলায়শিং হুন্দোক্লল্লগা চেনখি হায়রি। অদুগা আর্মিগী খূৎপু অসিনা খূৎশু খূৎলায়শিং অদু ফাজিলহৌখি। অদুম ওইনমক পাউ অসি খূৎলৈ থুনা শন্দারকপদগী থৌদোক থোক্লিবা মফম অসিদা কুম্বী খক্তগী নত্তনা তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকখিবা মশীং য়াল্লবা মৈরা পায়বীশিংনা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা আর্মিনা ফাজিনখিবা খুল ঙাকপশিংগী খূৎশু খূৎলায়শিং পীথোরক্কদবনি হায়বগী অকনবা দিমান্দ তৌখি।

কুম্বী কৈথেলদগী কুম্বী পুলিস ষ্টেসন ফাওবগী মরক্তা লৈবা লম্বীগী শরুক্তা নুপীশিংনা আর্মি খূৎপু অসিগী বুল্লেট প্রুফ কেম্পর ত্রক ৭ য়াওনা মখোয়গী গাড়ী পূন্নমক থিংজিন্দুনা থমখি। নুপীশিংনা টায়র অমদি ৱিন্দসিল্ডনচিংবা য়াওদ্রবা অমনবা কার অমা ফাওবা শীজিন্নদুনা লম্বী থিংখি অমসুং আর্মিগী কাঙবু অসিনা চৎকদবা লম্বীদা হিপচিন্দুনা থৎখি।

তোঙান তোঙানবা ত্রক অনী ফাওবনা লম্বী অসিদা ফৈনা খামজিন্দুনা থিংজিনখি। অদুগা নুপীশিং অদুনা খুল ঙাকপশিংদগী ফাজিনখিবা খূৎশু খূৎলায়শিং অদু পীথোরক্কদবনি হায়দুনা অকনবা খোঙজং চঙশিনখি। মীচম মীয়ামদি খুল ঙাকপশিংনা ঙসি ফাওবা ঙাকপী-শেনবীদুনা লৈরক্লবনি। মরম অদুনা মখোয়দগী খূৎশু খূৎলায়শিং ফাজিনবা হায়বসি কুকি মিলিটেন্টশিংনা লান্দারকপদা মীশি মীনা থোক্লবনি হায়বা ৱাফম্নচিংবা নুপীশিংদুনা ফোঙদোকখি।

য়াল্লবা নুপীশিং অদুবু লাকশিন্দুনা কন্ত্রোল তৌনবা হোৎনবদা আর্মিগী মায়কৈদগী এ কে ৪৭ রাইফলস য়াওনা মখোয়গী সর্ভিস ৱেপনশিং শীজিন্নদুনা নোংথক্তা নোংমৈ রাউন্দ ১৪/১৫ রোম কাপ্তুনা তানখায়নবা হোৎনখি। অদুবু আর্মিগী মায়কৈদগী পর্সনেল খরনা নোংমৈ কাপথোকপা হৌরকপদগী নুপীশিং অদু হেন্না শাওগৎলক্তুনা কায়দুনা চেনখিবগী মহুত্তা নোংমৈ কাপ্লিবা আর্মি পর্সনেলশিং তম্না চেনশিল্লক্তুনা মখূৎ থাঙ্গৎলগা মখোয়বুসু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলু হায়না হোৎনচিন্নরকখি।

নাকল অনীগী মরক্তা খ্বাইদগী কনবা মওংদা মূক্লরকখিবদা কুম্বী সেতুপুর ময়ায় লৈকায়দগী মশাগী চহী ৪৫ রোম শুরবী খাঙেম্বম ওংবী রিনা কৌবী মৈরা পায়বী অমা অনীশুবা মহার রেজিমেন্টকী পর্সনেলশিংনা মখূৎ লৈথেকই হায়বা ৱাফম থোরকপদগী মফম অদুদা তিনখিবা য়াল্লবা নুপীশিং অমুক্তা হেন্না কনশিন্না ঈরাং হৌরকখি।

লোয়ননা থৌদোক অসিদা চেন্নবা আর্মি পর্সনেল অদু ফাগদবনি হায়দুনা কুম্বী পুলিস ষ্টেসনদা ফাওবা থোমজিনখি। আর্মি অমসুং মৈরা পায়বীশিংগী মরক্তা মূক্লবগী থৌদোক অদু হেন্না চাউথোরকপদগী কুম্বী অমসুং থাঙ্গগী এম এল এশিং লাকপদা নত্তনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি অমসুং অনীশুবা মহার রেজিমেন্টকী মকোক থোংবা ওফিসলশিংগী মায়কৈদগী মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা খুল ঙাকপশিংদগী ফাগৎখিবা খূৎশু খূৎলায়শিং অদু বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসতা শিন্নরগনি হায়খি।

ঙসিগী খ্বাইদগী চাউবা মওংদা মৈরা পায়বীশিংগা আর্মিগী খূৎপু অসিগগী মরক্তা মূক্লখিবদা নুংশাগী মৈশা অমসুং নোংমৈ মরূ কয়া কাপথোরকপগী মখোল তাবদা নুপী খরসু ৱান্থবা য়াওখি। অদুম ওইনমক নাকল অনীগী মরক্তা কা হেন্না অশোক অপন য়াওখিদে।

থৌদোক অসিগী মতাংদা অশেংবা রিপোর্ট লৌনবগীদমক পাউচে অসিগী মায়কৈদগী পুলিসকী মকোক থোংবা অমসুং মরী লৈনবা ওফিসল খরদা হঞ্জিন হঞ্জিন টেলিফোন তৌবদা পায়খৎলককখিদে। অদুম ওইনমক ঙসি নুংথিল পুং ৩.৩০ রোম তারকপদদি নাকল অনীগী মরক্তা য়াশিন্নবা অমা পুরকপদগী থিংজিন্দুনা থল্লম্বা আর্মিগী গাড়ীশিং থাদোক্তুনা চৎহনখি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা ঙসি নুমিদাং অথেংবদা পুলিস কন্ত্রোল রুমগী মায়কৈদগী থোরকপা চেরোল অমনা হায়বদা আর্মিনা ফাখিবা খূৎশু খূৎলায়শিং অদু পুলিসকী য়ুনিফোর্ম শেৎপা মীওই ১১দগীনি হায়রি। মখোয়দগী ফাগৎখিবা খূৎশু খূৎলায়শিংনা এ কে রাইফল ৩, মেগজিন ৭, মরূ ২১০, ইন্সাস রাইফল ৫, মেগজিন ১৩, মরূ ২৬০, এস এল আর ২, মেগজিন ৯, মরূ ১৮০, হেন্দ গ্রেনেদ ২, বুল্লেট প্রুফ জেকেটশিং অমসুং অতৈ পোৎলমশিংনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, কুম্বীগী থৌদোক অসিগী মতাংদা ঙসি সোসল মীদিয়াদা তোকঙা অমা শন্দোরক্তুনা থৌদোক অসিগা থা অসিগী ২৭তা থোকখিবা নরানসৈনাগী থৌদোক্তা সী আর পি এফ পর্সনেল অনী লৈখিদবা অদুগা মরী লৈননবা হোৎনরক্লে হায়বগা লোয়ননা থোকখ্রিবা থৌদোক অনীমক তোঙান তোঙানবা থৌদোকশিংনি অমসুং হৌজিক ফাওবদা চত্থবা ইনভেষ্টিগেসনগী মনুং চন্না নরানসৈনাগী থৌদোক অদুগা মরী লৈনবগী খুদম অমত্তা ফংদ্রি হায়রি।

অদুবু য়াল্লবা খূৎশু খূৎলায়শিং ফাগৎখিবা অসিগা মরী লৈননা মথৌ তাবা লোগী ওইবা থবকশিং লৌখৎলগনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তারি।

# লোক-অপ গুম্না চলাইরম্বা ওল্ড এজ হোম থেংনরে...

*লমায় ১গী মখা...* থবক তৌবা য়াওনা য়াওনা মমা মপাবু হন্না য়েংলক্তবদগী হোম অসিদা লৈরকপা অহলশিং য়াওরমখি। মখোয়গী মতাংদা কন্মিসনগী চ্যেরপর্সননা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মেন্টিনেন্স এন্দ ৱেলফ্যের ওফ পেরেন্টস এন্দ সিনিয়র সিটিজন এক্ট, ২০০৭ কৌবা এক্ট অমা শেমদুনা লৈরি অমসুং এক্টসিগী মতুংইন্না মচা-মশুশিংনা মমা-মপাশিংবু ওল্ড এজ হোমদা থল্লগা হন্না য়েংলক্ত্রবদি চৈরাক ফংনীংঙাই ওই হায়না খঙহনখি।

মথংদা টিম অসিনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৱাংবলদা লৈবা সিনিয়র সিটিজেন্স হোমদা অমুক চৎখি। হোম অসিদি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ সোসল জষ্টিস এন্দ এম্পৱারমেন্টকী মখাদা চলাইরম্বা থেংনখি। হোম অসিদসু মচা-মশুশিং লৈনা লৈনা মমা-মপা ওইবশিংবু হোম অসিদা থল্লম্বা থেংনরকখি।

অদুগা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী শঙ্গাইয়ুম্ফমদা লৈবা ন্যু ইন্টিগ্রেটেদ রুরেল মেনেজমেন্ট এজেন্সী (নিরমা) না মিনিষ্ট্রি ওফ সোসল জষ্টিস এন্দ এম্পৱারমেন্টকী শেন্থং মখাদা চলাইবা সিনিয়র সিটিজন্স হোমদা চঙলুবদদি হোম অসিবু চলাইবগী ঙাক্তুনা চৎকদবা কাঙলোনশিং ইন্দনা মওং-মরীল তাদনা লৈরম্বা ফীভম উবদা চ্যেরপর্সননা অঙকপা ফোঙদোকখি।

হোম অসি পান্নবনি হায়বা মীওই খরনা হোম অসিদা ইনমেট ৫০ লৈ হায়রবসু মীওই ১০ রোমদগী হেন্না থেংনরকখিদে। অদুগা কা অমদা ফমুং মশীং য়াম্না থাজিন্দুনা য়াম্না খুদোংচাদবা মওংদা লৈরম্বা থেংনরকখি। হোম অসিদা ওইরম্লিবা ফীভম অদু পুলিস ষ্টেসনগী লোক-অপকী মতৌগুম্বনি হায়না চ্যেরপর্সননা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

হোম অসিদা মরী লৈনরিবা মণিপুর লৈঙাক্কী সোসল ৱেলফ্যের লোয়শঙনা মতম মতমগী মতুংইন্না মীৎয়েং চঙবা ৱাৎপগী মমিশিং চাউনা তারমখি। খোঙচৎ অসিগী মনুং চন্না চ্যেরপর্সননা লুচিংবা টিম্না থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী ৱিমেন পুলিস ষ্টেসন অমসুং থৌবাল পি এসতসু চঙদুনা ষ্টেসন অনীগী ফীভমশিং হকথেংননা য়েংশিল্লমখি।

# দেল্লীগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালবু ...

*লমায় ১গী মখা...* লেপখিবা কাউন্সেলদা করিগীদমক অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা মহাক্কী মথক্তা ঈ দিনা লৌখৎপা কেস অসিদগী বেল পীয়ু হায়জরক্ত্রিবা করিগীনো হংখি।

সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী জষ্টিস সঞ্জিব খন্না অমসুং দিপনকর দত্ত অনীগী বেঞ্চনা ৱাহং অসি হংলকপদা অর্বিন্দ কেজ্রিৱালগী মায়কৈদা লেপখিবা সিনিয়র কাউন্সেল অভিসেক মানু সিংহবিনা কেজ্রিৱালবু ফাজিল্লিবা অসি লোগী ৱাংমদনি। এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা লমন শীংবা ওইনা মী ফাবগী পৱার লৈতে হায়খি।

হৌজিক ফাওবদা সী বি আই অমসুং ঈ দিনা মহাকপু ফাদ্রিঙৈগী মমাঙ ফাওবদা ফাইল তৌরকপা চার্জশীটশিংদা অর্বিন্দ কেজ্রিৱালবু এক্যুজ অমনি নৎত্রগা চিংনবা মীওইনি হায়না চার্জ তৌরকপা লৈত্রি হায়খি।

সী বি আইগী মায়কৈদগী চার্জশীট অহুম অমসুং ঈ দিগী মায়কৈদগী চার্জশীটকা মান্নবা প্রোজিক্যুসন কমপ্লেন্ট মঙা ফাইল তৌরকখ্রে। অদুবু এজেন্সী অনীনা ফাইল তৌরকখিবা চার্জশীট অমত্তদা কেজ্রিৱালবু এক্যুজ অমনি হায়না চার্জ তৌরকপা লৈত্রি হায়খি। অদুগা ঈ দিনা মঙোন্দা হঞ্জিন হঞ্জিন পীবা সম্মনশিংগী মতুংইন্না মহাক লাকখিদে হায়বগীদমক ফাজিল্লিবা অসিগীদি মদুমক্লা মরম অমা ওইবা য়ারোই হায়খি।

কোর্টনা মেট্টর অসি মখা তানা খন্নগনি হায়রদুনা ঙসি অমুক হন্না লৌখৎলগা খন্নরকপদা জষ্টিস অনীগী বেঞ্চ অসিনা করিগীদমক্তা অর্বিন্দ কেজ্রিৱালবু লৈবাকসিদা পাঙথোক্লিবা জেনরেল ইলেক্সন হৌদ্রিঙৈগী মাঙওইননা ফারিবা করিগীনো হায়বসি এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটকী মায়কৈদগী লাক্লিবা ইরাই নুমিৎ ফাওবগী মনুংদা চপ চাবা পাউখুম পীরক্কদবনি হায়খি।

ঈ দিনা অর্বিন্দ কেজ্রিৱালবু ফাজিল্লিবসি মখোয়না দেল্লীগী হান্নগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর মনিস সিসোদিয়াগী মথক্তা লৌখৎপা কেসকী চত্থরকপা ইনভেষ্টিগেসনগা মরী লৈনৈ হায়না ফোঙদোরকপা থেংনরে। অদুম ওইনমক হায়রিবা কেস অদুদা কেজ্রিৱালগী মতাংদা ৱাফম অমত্তা পন্দে হায়নসু সুপ্রিম কোর্টনা ফোঙদোকখি।

মরম অসিনা করিগীদমক্তা কেস অসিগী প্রোসিদিং হৌগৎলকপগী থবক্তা মহাকপু ফাজিনবগী মরক্তা অসুক য়াম্না চাউনা অহোবা অমা লৈহল্লিবনো হায়বসিসু এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটকী মায়কৈদগী সুপ্রিম কোর্টতা চপ চাবা পাউখুম পীরক্কদবনি হায়খি।

পনবা য়াবদি, দেল্লীগী চীফ মিনিষ্টর অসি ঈ দিনা ফাজিল্লগা জুদিসল কষ্টদিদা থমখিবদগী তাঙ্কক নাইনা পাঙথোরক্লিবা লৈবাক অসিগী জেনরেল ইলেক্সন অসিদা আম আদমি পার্টিগী ওইনা শরুক য়াবা ঙমদবদগী পার্টি অসিগী লুচিংবা অতিসি অমসুং সৌরভ ভর্দৱাজ য়াওনা মহাক্কী লোয়নবী সুনিতা ফাওবদা শরুক য়াদুনা পার্টি অসিগী ইলেক্সন কেম্প্যেন চত্থরক্লিবনি।

# মে দে নুমিৎ লাকপদা কোরকোমনা শিন্মীশিংবু...

*লমায় ১গী মখা...* লোয়শঙ মওংশিং (মোদ ওফ প্রদক্সন) দা মপূ ওইরিবা মীওই খুজোক খরগী মখা পোল্লমদে। পূন্নমক মীয়াম-খুন্নাইগী ওইরম্মী। মরম অদুনা, মান্নদবা নৎত্রগা ক্লাস ষ্ট্রগলগী ৱাফম লৈখিদে হায়রি।

অদুবু, শিন্মীশিংগী ‘গোল্ডন এজ’ অসি মতমগী ইরোলনুংদা লূপখি। মপূ-মনাইগী চৎন-কাঙলোন লাকখি হায়রদুনা চেরোলসিনা হায়, লন্নাইগী হায়বদি প্রাইভেট প্রোপর্টিগী চৈথেংনা মরম ওইদুনা খুন্নাইদা অনেম-অৱাংগী ৱাফম লাকখি। শেঞ্জাও পায়বা অমসুং পায়দবা অনীগী মরক্তা মূক্লবা হৌখি। শিন্মীশিং খম থেংনা তুহৎপীখি। শিন্মীশিংগী হুমাং মমলগী অয়াম্বা শরুক্তি মখোয়দগী এলাইনেট হায়বদি মৎপীদুনা শেঞ্জাও পায়বশিংনা লৌশিনবা হৌরকখি। মালেমদা লৈরিবা শিন্মী খুদিংমক্কী অৱাবা ফীভম অসি চপ মান্নে। মরম অসিমক্লা ‘ৱার্করস ওফ দি ৱর্ল্ড য়ুনাইট’ হায়না মার্ক্সনা মমিং লৈরবা দি কম্যুনিষ্ট মেনিফেষ্টোদা পাউতাক্লম্মী। ইন্দষ্ট্রিএল রেভল্যুসনগা শাগোন্নরকপা মীওৎ মীনৈগী মায়োক্তা শিন্মীশিংনা নেসনল ষ্ট্রগল চত্থদুনা ইন্টরনেসনল কম্যুনিষ্ট মুভমেন্টগী হৌরকফম ওইদুনা ঙসি ফাওবা নীংতম ৱাখল্লোন অদু শক তাক্লি।

চাইনা, ভিএটনাম অমদি ক্যুবাদদি হায়রিবা নেসনল ষ্ট্রগলগী থৌদাং অসি লৌয়াম চাবশিংনা তুহৎ-নৈহৎপীরবা লৌমীশিংনা লৌখি। লোইলমগী মায়োক্তা খ্বাইদগী ইচং থৌনা লেপখিবা অসি মতাই লমগী লৌমী-শিন্মীশিংনি হায়না চাইনাগী লুচিং পুরেল মাও সে টুঙ (মাও জেদোং) না হায়খি। বৃটিশ লোইলম অমদি লৌয়াম চাবা পথাপকী মায়োক্তা লেপখিবা লময়ানবা হিজম ইরাবতকী ঈহৌ অদু এসিয়া লমদমদা হৌখিবা শিন্মীশিংগী ঈহৌ অদুগী শরুক অমনি। মালেম পূম্বদা ঙসি লৈবাক কয়ানা নীংতম্না হিংলিবা অসি শিন্মীশিংগী ঈহৌগী খুদোলনি। মালেমগী শিনপাংশঙশিংদা নোংমদা পুং ৮ খক শিনপাংলিবা অমদি য়াইফ থৌশিল (সোসল সিক্যুরিটি) গী কাঙলোন কয়া চৎনরিবা অসি শিন্মীশিংনা কথোক্লগা শেল্লম্বা কাঙলোন ঙাক্তনি। কুমজা ১৮৮৬কী মে ১দা অমেরিকান ফেদ্দরেসন ওফ লেবরনা লৈবাক শিনবা থুংনা কৌখিবা ষ্ট্রাইক অদুগী খুদোলনি। ১৮৮৬তা থোকখিবা চিকাগোগী ঈহৌ অদুবু নীংশিংবা ওইনা, ইন্টরনেসনল লেবর দে (মে দে) অসি কুমজা ১৮৮৯দগী পাঙথোক্তুনা লাক্লি হায়রি।

চেরোলসিনা হায়, লোইলম অমদি লৌয়াম চাবা পথাপকী মায়োক্তা ঙসি ফাওবা শিন্মীশিংনা লেপ্লি। অদুবু শিন্মীশিংগী অৱা পোৎলূমদি কোকপা নাইদ্রি। কেপিটেলিজম অমদি নিও-লিবরেল শেন্মীৎ কাঙলোন্না লাঙ্গোই চল্লবা মতম অসিদা মালেমগী ওইনা থোইদোক হেন্দোক্লা মীখা পোন্না হিংলিবা লৈবাকশিংদদি শিন্মীশিংগী মরাইবক হেন্না হেন্না তম্বা ঙমদবা ফীভম অমদা লৈরি। মীয়ামগী শিনপাং লোয়শঙ (পব্লিক সেক্টর) না লেপ্পা লৈতনা লন্নাই কৈথেলদা য়োন্থোক্লবা মতম অসিদা শিন্মীশিংগী শিনফম-ঙাক্লৌ (জোব সিক্যুরিটি) পূন্নমক মৎপীরে। ইরমদম মণিপুর (কংলৈপাক) দা লৈরিবা শিন্মীশিংগী চাদা ৮০ মুক্তি হায়রিবা সোসল সিক্যুরিটি অসি য়াওদনা শিনপাংলিবা নুপী শিন্মীশিংগী ওইনদি কা হেন্না অৱুবা ফীভমদা লৈরি। লোইজি লোয়াদা শিনপাংলিবা নুপী-নুপাশিংনা ফংলিবা নোংমগী খূৎশুমল (দেলি ৱেজ) সু য়াম্না নেম্লি। অশোক অপন শোয়নাইরকপদা সোসল ৱেলফ্যের এন্দ লেবর দিপার্টমেন্টনা মশক থোকপা ঙাক্লৌ পীদ্রি হায়রি।

কেপিটেলিষ্টশিংনা খূৎলিংবা লৈঙাক অসিনা লৌমী-শিন্মীশিংবু থৌওইবীদে, ঙাক্লৌশিংনা পীবা কান্নবা খরা অদুসু মখোয় মশেল লৌতুনরগা লৌথোকই। ইরমদমগী শিন্মীশিংগী ফীভমসু মীপাইনীংঙাই ওইনা ফৎত্রে। লৌমী, ঙামী শিন্মীশিংগী ফংফম থোকপা পূন্নমক অচৌ-অশাংশিংনা লৌতুনরগা মৎপীবগী থৌদোক ৱাথোক পীক থল্লি। ইরমদমগী মশীং য়াল্লবা ৮০% ওইরিবা লৌমী শিন্মীশিংনা অনওর্গনাইজদ সেক্টরদা শিনপাংবা হায়বসিমক্লা শিন্মীশিংগী অৱাবা শক্তম অদুবু মশক তাকই। অদুবু, হেন্না লায়রা চৈথেং নংলবা লৌমীশিংনা য়াওলগী থৌদাং খ্বাইদগী চাউনা লৌই। মসিমক চাইনাগী নীংতম লাননা খুদম চাংদম ওইরকখ্রবনি হায়রি।

শেঞ্জাও পায়বা মীওই খুজোক খরনা শেন্মীৎ অমসুং লৈঙাক পায়বা হায়বসি কেপিটেলিষ্ট কাঙলোনগীদি হৌনশানি। মণিপুর (কংলৈপাক) দসু অপীকপা লৌফমদা লৌ উরগা হিংজবশিং ঙসিদি লৌ য়োল্লে, শেঞ্জাও পায়বশিংদগী অৱাংবা মথোইদা শেন্থং পুরে। লৌফমশিংদা মহৌশাগী খল্লগা চুনদবা মওংদা থবক কয়া চত্থরকপনা লৌমীশিংদা য়াম্না চাউনা চৈথেং পীরি। ফীভম অসি খুঙ্গংদা খুন্দাদবা শেঞ্জাও পায়বশিংনা লৌফম কয়া লৈশিল্লকপনা ‘এবসেন্টি লেন্দলোর্দ’ কয়া শেমগৎলকই। মসিনা লৌমীশিং মখোয়গী মীখা পোল্লকই, শূফম নোম্ফম খঙলক্তে। মসিমক মণিপুর (কংলৈপাক) গী লৌমী-শিন্মীশিংনা মায়োক্লরিবা ৱাথোক অমনি হায়রি।

মরম অদুনা, শেঞ্জাও পায়বনা খূৎলিংবা খুন্নাইলোন অসি মুথৎপদা শিন্মীশিংগী চাউরবা থৌদাং লৈ। মনীংতম্বা মাঙখ্রবা ইরমদমগী ফীভম্না অসুক য়াম্না শোকচিনখিবা অসি ইন্দিয়ানা মণিপুর (কংলৈপাক) বু নম্লৌ লৌশিনখ্রবা মতুংদা থোরকপনি। মশাগী লৈঙাক অমদি মনীংতম্বা শেন্মীৎ পোরম য়াৎচবগী মতিক অদু মৎখ্রবদা ইরমদম অসিগী লৌমী-শিন্মীশিংনা মকা লাম্না হিংজবা ঙম্বা হায়বসি ওইথোক্লোই। ইশাগী হান্না লৈজরম্বা নীংতম্বা লৈঙাক পথাপ অদু হঞ্জিন্দ্রবদি ইরৈবাক্কী শেন্মীৎ শেমগৎপা ওইথোক্তে। মালেমগী মফম কয়াদা হৌরকখিবা শিন্মীশিংগী ঈহৌশিংনা রেভল্যুসনগী পাউখোল্লোই ওইনা থবক তৌখিবা ঙাক্তনি। ইন্টরনেসনল লেবর মুভমেন্টনা মসিগী খুদম চাংদম্মি। ইরমদম মণিপুর (কংলৈপাক) দা অৱা চৈথেং খাঙলিবা শিন্মীশিংনা থৌদাং অসি লৌবা মথৌ তাই। শিন্মীশিংগী নুমিৎনা লাকপদা শিন্মীশিংনা লৈঙাক পথাপকা শাগোন্নবা শেঞ্জাও পায়বশিংতবু য়ানবা লৌতুনবা খুদিংমক ময়েক শেংনা খঙদোক্তুনা মান্নবা খুন্নাইলোন অমা শেমগৎপা মথৌ তারক্লি। নেসনল ষ্ট্রগলগী শিন্মীশিংগী হায়বদি লেবর মুভমেন্টগা পূন্না চৎমিন্নবা মথৌ তাই। মে দেনা লাকপসিদা মায়কৈ অশোমদা মীৎয়েং চঙমিন্নবগী ময়োল চোংহল্লসি হায়রি।

# ‘লাঞ্জেন্নরকখিবী ঐখোয়বু পূন্সি চূপ্পা রিলিফ...

*লমায় ১গী মখা...* হিংজরকখিবনি। হৌজিক ইচানুপী ক্লাস আইট খক্তমক তল্লিবনি। মহাক লাইরিক লাইশুদা থোইদোক্লা পূক্নিং চঙবগী মথক্তা মীতৈগী খুনুং ঈশৈসু য়াম্না ফজনা শকপা ঙম্মী। লাই য়েকপসু হৈ। মরম অসিনা ইচানুপীবু লেম্না মাঙখিদনবা হায়দুনা হোৎনজরকখিবনি।

ইচানুপীনা মহৈ মশীন মপূংফানা তমদুনা য়ুনিয়ন পব্লিক সর্ভিস কন্মিসন (য়ু পি এস সী) না লৌবা এগজামিনেসনশিংদা শরুক য়াগনি হায়দুনা কন্না হোৎনজরকখিবনি। হৌজিকসু হোৎনবা লেপত্রি অদুবু য়ূমদা লৈরিঙৈ মতমগুম্না ট্যুসন য়াওহনবদি ঙমদ্রে। লাইরিক্কী মতাংদসু ঐহাক্লা শেল থোক্তবনিনা অহেনবা অমত্তা মতেং পাংবীবা ঙমদ্রে। করিগুম্বা লৈঙাক্লা লাঞ্জেন্নরিবশিংদা কম্পেন্সেসন পীবিরক্তুনা ঙম্না ঙম্নবা মফম থিরগা হিংখ্রো হায়রক্লবসু ইপামদা চৎতুনা ইবুংগী মনাক্তা পূন্না লৈদুনা ইচাবু মী ওইনবা শেম্মিংলি। হৌজিকপুদি রিলিফ কেম্পতা লৈরকপদগী ইচানুপীবু নুংশিবীবা ওজাশিংনা ট্যুসনগী শেনফম লৌদনা য়াওহনবীরি। চৎথোক চৎশিন ফাওবদা ওজাশিংনা মতেং পাংবীরি।

## ঙৈগ্রো / ইঙ্খোল য়োঞ্জরি

ৱাঙ্গোই থৌদাম লৈকায় নিয়র খুনিংতেক থোংদা লৈবা পোইন্ট ২৩ চাউবা ইঙ্খোল অসি অথুবগী ওইনা য়োঞ্জরি। কনাগুম্বনা লৌবীনীংবা লৈরগদি মখাদা পীজরিবা কন্টেক্ট নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকপা য়াগনি।

**# 9856135849**
**9864012127**

HL-P/10589/30,1 May





HL-P/10562/26-30 April/3-27 May

GLOBAL SPOKEN ENGLISH & DOT COM COMPUTER

ENGLISH COMPUTER
Govt. Regd. No. 2102 of 2012

BEHIND POLOGROUND, GAURAHARI MARKET, PAONA BAZAR, IMPHAL NEAR HOTEL KRISHTINA

Many Students were certified and eligible for applying Job

Online or Offline Class Available

Computer Certificate Course is compulsory for both Govt. & Pvt. Job
ENROLL NOW

Computer Course
BCC
CCA
DCA
DTP
CCP
Taly with GST
Data Entry
Multimedia
Office automation
Business Package Etc.

Admission Open

Spoken English
Classes for Groups and special class for only one person
For Seniors, College and University Students
Grammar, Pronunciation, Group discussion, Public speaking, Vocabulary
Instructor:-
Sir Tejkumar (Teaching Since1987) (English)
Alice Thokchom (English)
Sir Bidyananda (Computer)

For registration contact us -
Call - 8132904426 (English)
Call Or Whatsapp On 8415016049 (Computer)
Email on : Globalspokenanddotcom@gmail.com

HL-B/8674/3_Apr. to 31 May_Alt